# অচুম্বসিবু লৈরিবরা - ৭৭

**ডা. এল শশীকুমার, য়ূরেম্বম**

***২১ শুবা*** চহীচা অসি থোইদোক হেন্দোক্লা থাজ-থাজদ্রবা, উহৈ-তাহৈদ্রবা থৌদোক ৱাথোক কয়াগী মতম ওইররে। মীওইবনা খূৎশেমগী থৌদোক-ৱাথোক, মহৌশা কৌবী লাইরেন্বীগী খাঙম পুঙমদ্রবা থৌদোক ময়েক শেংনা মীয়াম্না তরু তরু মিৎমাঙদা উহল্লরে। মসি পূম্নমক মীওইবা হায়বা ফুরুপ অসিনা থোকহনবনি। ঈশিং-ঈচাও, ঈকং থোকপা, ভুমি ফলগা মীওইবনা তাইবঙদা খুন্দা লৈতাবদগী লৈজরল্লবা ঙাক্তনি। মসি পূম্নমকসিগী মাঙবা-তোংবা পূম্নমক ইখঙ-খঙনরবা চাওখৎলবা মতমসিদা হেন্না হেন্না তোয়না থোরকহনবা হায়বসি মতমনা পুরকপা ফল নত্তে। মীওইবা ঐখোয়না শেমজবা ঙাক্তনি হায়না লৌবদা ১০০ গী মনুংদা ৯০ দি চুল্লবনি।

মীওইবা খুদিংমক পোকপা শিবা নাইবনি। অদুবু হিংলিঙৈ মতম খরসি নীংতম্না হাইনা হুম্না লৈজবা হায়বসি মীপুম খুদিংমক্কী অপাম্বনি। মীনা মীবু ওৎপা, মীনা মীবু মীনাই ওইনা শীজিন্নবা হায়বসি কনানসু পাম্নদে। মণিপুরদা মপান্দগী লাকপা সেক্যুরিটিশিংনা মখল মখা কয়াগী মীওৎ-মীনৈ মতম কয়াগী মমাঙদগী চথুরকপা মীয়াম্না তানখিবদা নত্তনা থবক ওইনা ফজনা উনখ্রে। তশেংনমক ১৯৫৮ এক্ট অসিগী নমাদা লোন্না অমদি ফোংনা মীচম মীয়ামদা ওৎপা-নৈবা চথুরকপা কয়া অঙকপা ফংনা তানখ্রে। তশেংনমক মণিপুর অসি অঙকপা লৈবাক হায়বদু ওইরে। ঙসিদগীনা চহী ৬৬ কী পুৱারী হঙ্গৎনা নৈনবা য়াই। মণিপুরদা তমথিরবা এক্ট অসি থমজিনবদগী কুমজা ১৯৭৪ দা তাঙ্খুল নিঙোল রোজবু বি এস এফনা ঈজৎ মাঙহল্লবা মতুংদা হাৎখিবা, পুৱারীনা নাথৈবা খক য়ারোই। অসুম্না মীচম মীয়ামগী মরক্তা লেপ্তুনা চথুরকপনা কুমজা ১৯৮০ গী এপ্রিল ২৬ তা সি আর পি এফনা লাংজিং, পাৎশোইদা মবুং মৌপ্পা ময়ামগী মমাঙদা ফোঙনা ঈজৎ মাঙহনখিবা, মীচম মরি হাৎখিবা, খূৎলায় পায়বশিংনা মীচমদা মখল মখাগী ক্রাইম চথুবদা নত্তনা মীহাৎ মীপুন, নুপী ওইবীশিংগী ঈজৎ তেমশিংনবগী থবক লেপ্তুনা চথুরকপা অমদি মমাঙথক্কী থৌদোকশিং নীংশিংবদা অকি তুজুংবা পোক্লরি। অসুম্না কুমজা ১৯৮০ গী নবেম্বর ২১ দা আর্মিনা ওইনাম লৈকায়দা মীচম ৪ হাৎখিবা কৈদৌনুংদা কাউবা য়াররোই। কুমজা ১৯৮৪ গী মার্চ ১৪ দা হৈরাঙ্গোই থোংগী বোলি শান্নফমদা নোংমৈ কাপশিল্লকপদা মীচম ১৩ হাৎখিবা, কুমজা ১৯৮৭ কী জুলাই ১১ দা আসাম রাইফলসনা সেনাপতিগী ওইনাম স্কুলদা মৈ থাদুনা মীয়াম্বু ওৎ নৈখিবগা লোয়ননা মীওই ১৫ হাৎখিবা, কুমজা ১৯৯৩ গী মার্চ ১৫ দা সগোলবন্দ তেরা কৈথেলদা আর্মিনা মীচম ৫ হাৎখিবা, কুমজা ১৯৯৪ গী জুলাই ৮ দা ৩১ শুবা আসাম রাইফলসনা তমেংলোংদা মীওই ৪ হাৎখিবা, কুমজা ১৯৯৪ গী সেপ্টেম্বর ২৫ দা নুংকাওদা ১৩ শুবা শিখ লাইট ইনফেন্ত্রিনা মীওই ৪ হাৎখিবা, কুমজা ১৯৯৫ গী জানুৱারী ৭ তা সি আর পি এফনা লম্ফেলদা লৈবা রিমস হোস্পিটালদা ময়াং মচা পোৎ য়োনবা অমবু খাল্লগা অরুনাচল প্রদেশতগী মহৈরোয় অমা য়াওনা লমদমসিগী মীচম ৯ কাপ্তুনা হাৎখিবা, কুমজা ১৯৯৫ গী ফেব্রুৱারী ১৯ দা ১২৭ শুবা সি আর পি এফনা বাসিখোং লমলোংদা মীওই ৩ হাৎখিবা, মীচম ৯ বু শাথিনা শোকহনখিবা, কুমজা ১৯৯৫ গী মে ৯ দা ২০ শুবা আসাম রাইফলসনা উখ্রুলদা মীওই ৩ হাৎখিবা, কুমজা ১৯৯৭ কী ওগষ্ট ১২ দা ৭ শুবা আসাম রাইফলসনা তবোকপী খোংদা মীওই ৫ হাৎখিবা, কুমজা ১৯৯৭ কী ওক্টোবর ১৫ দা ইন্দিয়ন আর্মিনা নুংলৈবমদা মীওই ৯ হাৎখিবা, কুমজা ১৯৯৯ দা সি আর পি এফনা চুড়াচান্দপুরদা মীওই ৫ হাৎখিবা, কুমজা ২০০০ গী সেপ্টেম্বর ২৩ দা তোনসেন লমখাইদা মীওই ১০ হাৎখিবা, কুমজা ২০০০ দা তমেংলোংগী তবংলোংদা লমলৌলান্মীনা মীওই ১২ হাৎখিবা অসুম্না শাংলবা চহী কয়াদা হাৎখিবশিং মতম মতমগী লৈঙাক পায়বশিংনা আর্মি, পেরামিলিটরি অমদি আর্মদ পুলিসনা চথুরকপা মীওৎ-মীনৈ, নুপী ওইবীশিংগী ঈজৎ তেমশিংনরকপা মশীং খঙদনা লৈখ্রে। মতম মতমগী লৈঙাক পায়রিবশিংনা মখোয়গী মথক্তা করিসু তৌবা ঙমদ্রিবসি করিগীনো? লৈঙাক চলাইবগী ৱাহন্থোক লৈরিব্রা? অসিগুম্বা তাবদা থাজদ্রবা, মীৎনা উরবা ফাওবদা লৈঙাক্কী চপ চাবা থবক লৌখৎপা ঙমদ্রিবসি দিমোক্রেসিগী ৱাহন্থোক করিনো? অসুম্না মতম শাংনা অৱা অনা তারবা মীচম মীয়ামনি। কুমজা ২০০০ গী নবেম্বর ২ দা মালোমদা বস ঙাইদুনা লৈজবা মীচম ১০ বু ৪ শুবা আসাম রাইফলসনা নোংমৈনা কাপ্তুনা হাৎখিবা থৌদোক পুৱারীদা সনাগী ময়েক্লা ইদুনা লৈহৌরগনি। নুমিৎ অদুগী থৌদোক্কী মতুংদা মণিপুরদা তোপ তোপ্পা ঈহৌ কয়া লাকখি।

থৌদোক অসিদগী হৌদুনা আর্মিগী লৈঙাক লৌথোকউ, আর্মিদা শীন্নরিবা শক্তি অসি দেমোক্রেসি চৎপা লমদমসিদগী লৌথোকউ হায়না লমদমসিদা পোকচবী মীয়ামগীদমক কখোল্লগে খন্দুনা থৱায়না পোন্থা ওইরগনি হায়না চোঙথোরকখিবা ইচন শল্লবী শর্মিলানা অমুবা আইনবু তেমশিংনদুনা শিদ্রি ফাওবা চরা হেনগনি হায়না চোঙথোরকখিবী ঙসিদি চহী ১৬ ফাজিল্লক্কদৌরবা তাঞ্জাসিদা শর্মিলানা লৌরকপা খোঙথাং ঙক্তবা ঙমদে। তশেংনমক অঙকপগী মথক্তা থাজবগী ৱাংমদা খোঙথাংজিল্লকপা নোং খাক্তনা ব্রজ তাবগুম্বনি। চহী ১৬ লোম থৌনা ফনা, ইচং থৌনা লেল্লকপা মালেমগী মনুংদা অতাংবনি। অদুম ওইনমক শর্মিলাগী খোঙথাং খরদি খন্থবা মতম ওইগনি। হৌখ্রবদি হৌখ্রে। ঙসিগী ওল্লকইবা দেমোক্রেসিগী ভোট অমত্তা তরাইবা নত্তে। হন্দক্কী মতাং অসিদা শর্মিলাগী খোঙথাং মালেমগী মীয়াম্না পেন্নরমগদ্রা হায়বসি হেন্না খন্থবা মথৌ তাই। ময়াদা মৈ হৌরবা পোলিটিকেল পার্টি কয়া নুংশা মঙালদা তুম্না মাঙখ্রে। মতম অমদা লৈঙাক পায়রম্বা পোলিটিকেল পার্টি পুংমুৎ মুৎখ্রে। ঙাঙবা শকপদা পোলিটিক্সকী অৱাংবা শক্তম অমা কল্লম্বা পোলিটিকেল পার্টি হিংলি হায়বতা মঙাইরে। ঙসিগী ইন্দিয়াগী দেমোক্রেসিগী ৱাহন্থোক লৈরিব্রা? মমাঙথক্কী থৌদোক-ৱাথোক, মীহাৎ-মীপুন কয়াসিদা লৈঙাক পায়রিবশিংনা করি করম্বা থবক পায়খৎলম্বা থেংনখ্রবগে। মশা মশাগী ওইজনাম, লৌজনাম, নপচনামদা শাংলবা চহী কয়া খাঙলি। ঙসিসু অদুম খাঙলি । শেঞ্জা থুমজা, শঙ্গ-পঙ্গগী তাইবঙ অসিদা মশাগী পার্টি ফাওবা মশক খঙজদবা, মরোমদোম থোরল্লগা পোলিটিক্স য়াওগনি খনবসিমক ওন্থোক্লা থম্মোয় চাওখ্রবা ইচন শর্মিলানি।

অরোইবদা মপূং ওইনা থমজনিংলিবদি ইচননা য়ূম পাল্লগনি হায়বদা মালেমদা থিংবীনবা কনাসু লৈতে। অনিং অনিংবা মশা মশাগী ওইজবা থিবদা মীয়ামগী হক মথৌ তাদে। মতাংসিদা আই এল পিগী ঈহৌ মরক্তা মরিং মরাংবা ওইনা থোক্কদরা হায়বসু খন্থবা মথৌ তাগনি খল্লি। মপূং ওইনা ইচন শর্মিলানা শাংলবা চহী ১৬ লোম চরা হেল্লকপা তরাইবা নত্তে। মীওইবগী আশাদি মপান নাইদে। শাংলবা চহী ১৬ লোম ইচননা লেল্লকপা অসি আশা অমগী মখাদা লেল্লম্বা য়াই। নেতা ইরাবতকুম মশাগী ওইজবা থিদবা মীয়ামগীদমক খনবা পোলিটিকেল পার্টি লৈতবদগী মীয়াম্না অৱাবা খাঙবনি। ইচন শর্মিলানা শাংলবা চহী ১৬ লোম মীয়ামগীদমক পাঙথোক্লম্বা থৌদাং পুৱারিদা লেংদনা লৈহৌরগনি। মরম অদুনা মালেমগী মীয়াম্না 'আইরন লেদি' হায়না মিংথোল পীনবনি। ঙসিদি আইরন লেদি হায়বা মিংথোল অদুদগী তাদনবা ঈজৎকী ৱাফম য়েংবদি তঙাইফদে। অদুবু ঙসিগী মীয়াম্না খান্নরবা হন্না ফাওবা য়েংনদ্রবা ওইজনাম খরগীদমক লৈরিবা পোলিটিকেল পার্টিশিংবু ইচন শর্মিলানা অনৌবা মায়ওন অমা পুরক্কনি হায়দুনা পোলিটিক্স লোমদা মিৎয়েং থম্বসি য়েংবা তারি। অদুবু মীয়াম্না কদাই ফাওবা খন্থবীগনি হায়বসিদি মঙলানগুম থোক্লি। মঙলানগী তাইবঙ ওইহন্দনবদি হেন্না হেন্না খন্থবা মথৌ তাব্রা খল্লি। মীওইবগী ঈজৎ, মীওইবগী মিংথোল তরাইনা ফংবা নত্তে। আইরন লেদিদগী নাম্থোক্তুনা করম্বা মিংথোল অমা লৈরিবগে হায়বদু ইচনগী মফমদগী মখা তানা ঙাইমিন্নবা তাবনি।

# শর্মিলাদা অখুবা মিৎয়েং য়েংবিবা

**থৌদাম তোম্বা মৈতৈ**

***লোইনরিঙৈ*** মতমদনা মীবু পংথা থাগৎপা, য়ানরক্ত্রবা মতমদনা মীবু হুন্দুনা ঙাঙনবা মসিগুম্বা চৎনবীসি মীওইবা খুন্নাইদগী লাপ্পা থম্নবা হোৎনসি। হৌজিক্তা শর্মিলাগা ৱাখল মান্নরক্ত্রবা কয়ানা মাগী মরমদা মওং তাদবা কয়ানি পুথোক্নরক্লিবসি, হান্না য়ানরিঙৈ মতমদদি মাগী অশোয়বা পুথোক্লম্বদি কৈদৌই, মতমদুদা করিগী ফোঙদোক্লিংদে, মণিপুরদা ঙাঙবিনবা, চৈবিনবা মীওইদি য়াম লৈ, ঙাঙলকপা মতমদসু হেনজিন-হেনজিন্না ঙাঙবগী হৈনবীসু লৈ। খুদম হায়ববু শর্মিলানা চরা হেল্লকপদি চহী ১৬ ফাদ্রি। মসিদা ঙাঙবা কনবা কাঙবুনা চহী ১৬ চরা হেল্লক্লবী হায়না পল্লিবা অসি চহী ১৫ হেন্না হায়বিয়ু, ৱা ঙাঙবা মতমদা স্পেসিফিক ওইবা মওংদা ঙাঙবা শকপা তৌগদবনি।

শর্মিলাগী চরা হেনবগী চহীগী মতাংদা ঙাঙলিবা নহাকসু অশোইবা লৈ হায়বসি হান্না খঙখো। টি ভি চেনেলশিংদা এঙ্কর ওইদুনা দিস্কসন অৱারগী মতমদা এঙ্কর ওইরিবশিংনা নেগেটিভ ওইবা সেন্সতা মওং তাদবা করেম্ন বা মওংদা হংবা ৱাহংসু য়াওই। মসিনা ফজদবা অমদি স্মার্ট ওইদবা প্রোগ্রাম অমসু ওইহল্লি। শর্মিলানা অফস্পাগীদমক চঙশিনবা খোঙজংসি অমনা চরা হেনবা অমনা পোলিটিক্সতা খোঙদারগা চঙশিনবা খোঙজংনি। খোঙজং খেন্নবগী ৱানি। মহাক্লা অফস্পাগী খোঙজংদি লেপ্পগে হায়বদি নৎত্রি। মসি পূম্নমক খঙফম থোকই। চরা হেনবখক্তনা পান্দম ফংগদৌবা ওইরগদি নহান্নসু ফংবা য়ারে। হৌজিক্কী চাওখৎলবা লৈবাক অমদি মীওইশিংনা পুংদা য়েংলগা থবক পায়খৎনরবা মতমসিদা শর্মিলানা শাংলবা চহী তরামঙা হেন্না চরা হেন্দুনা খোঙজং চঙশিল্লকপসিবু পেন্দ্রি হায়রিব্রো? হৌজিক্তি শর্মিলাদা তাইনগদৌবা মতম নৎত্রে, মণিপুর লৈঙাক অমদি ইন্দিয়া লৈঙাক্তা তাইনগদবা মতম ওইরে হায়বসি ঙাঙবা কনবশিংনা খঙবদা থেংমনখ্রে।

নুমিৎ থানা লৈরিবমখৈ চরা অদুম হেন্দুনা লৈবা অদুরো নখোয়না পাল্লিবসি। মীয়াম্নসু খঙলি অফস্পাদি মণিপুর লৈঙাক অমদি ইন্দিয়া লৈঙাক্লা অপেনবা লৈরবা মতমদতা লৌথোরক্কনি, শর্মিলাগুম্বা মীওই লিশীং অমনা নুমিৎ থা লৈরিবমখৈ চরা হেল্লবসু হেক্তা লৌথোকপীগদবা নত্তে। মীওইবগী হিংবগী ৱাহন্থোক মুন্না খঙবিবা অমদি খনবিবা লৈঙাক ওইরম্লবদি শর্মিলানা চরা হেনবদি লায়রদনা অফস্পা মণিপুরদা চৎসু চৎনহল্লম্লোই। ইন্দিয়া লৈঙাক্লদি মমিংদবু দিমোক্রেসি লৈবাকনি হায়বনি মনুংদদি আর্মিনা লৈঙাকপা লৈবাক অমগুম্বনি। খুদম হায়ববু অফস্পাগী মতাংদা ইন্দিয়াগী হোম মিনিষ্টরনা রিপিল তৌনবা হায়রবফাওবদা আর্মিগী চীফনা য়ানিংদবা ফোঙদোকপদা মদুদা ইন্দুনা চৎপা লৈবাকনি। মণিপুরী মচা অমনা নন ভাইওলেন্সকী খোঙজং চঙশিনবদা ইন্দিয়া লৈঙাক্লা তাবিগদবা নত্তে। অমরোমদা মণিপুর লৈঙাক্তসু নন ভাইওলেন্সকী চন্নফম লৈতে। মণিপুর লৈঙাক অমদি হাৎন-



শুনবগী থাক্তা হৌরল্লগা চঙশিল্লক্কদবা খোঙজং মসি নৎত্রগদি মখোয়গী মীত্তা খোঙজং অমা ওইনা উদে। মণিপুর লৈঙাক অমদি ইন্দিয়া লৈঙাক্লা উরিবা খঙলিবা নন ভাইওলেন্সতি মহাত্মা গান্ধী অমসুং মেইনলেন্দ ইন্দিয়াগী মীওইনা চঙশিনবা নন ভাইওলেন্সতুনি। ইন্দিয়াগী দিমোক্রেসিসিদি মফম মফমগী মখা পোল্লি হায়বা য়ারবনি। মসিদা শর্মিলাগুম্বা অমনা মচী অমদা চরা হেনবদি করিসু নত্তে মখোয়গী মফমদা। অসুম্না অফস্পাবু শর্মিলাগী মশরুক তম্বদৌনা মঙোন্দা লোইনা মখা পোলহনবদৌনা খল্লিবা ঙাঙলিবা মীওইশিংসু ৱাখল খরা খন্থবা ফগনি। অমরোমদসু মণিপুর মীয়ামগী ৱাখলদসু শর্মিলানা চহী শাংনা চরা হেন্দুনা মালেমদা লৈনদবা অমা মণিপুরদা লৈরে হায়বরোমদা চাউথোক্তুনা লৈরে, মহাক্লা চরা হেল্লিঙৈসিদা পান্দম ফংননবা মীয়াম্নসু করি অহেনবা খোঙজং চঙশিনগদগে হায়বদি খন্নদে-ঙাঙনদে অদুগা শর্মিলানা চরা হেনবা তোকপগীদি খন্নবা লেপ্তে, ঙাঙনবা লেপ্তে।

অফস্পাগীদমক খোঙজং চঙশিল্লক্লিবসি তাঙ্কক কয়া কয়াদা অমদি তোঙান তোঙানবা মীওই কাঙলুপ কয়ানা চঙশিন্দুনা লাকখ্রবসু (খুদম ওইনা পি চিত্তরঞ্জন ফাওবা মথন্তা মৈ থাজদুনা শিখি) মীয়াম্না লেপ্পা লৈতনা গ্রি-গ্রি তকখায়দুনা খোঙজং চঙশিনবদি ওইখিদ্রি খল্লি। নীংশিং-নীংশিং পোথা-পোথাদুনা চঙশিল্লকপা খোঙজং ওইনসু তৌই। অমরোমদা আই এল পিগী খোঙজংনবু হেন্না মীয়াম্না এক্টিভ ওইবা মওংদা তৌই অদুগা খোঙজং অনীসিদা গভর্ণমেন্টদা হেন্না মথা শাফম অমদি হেন্না পোৎলুম ওইরিবদি আই এল পি দিমান্দসিনি। মরমদি ইন্দিয়া মচা অমনা ইন্দিয়াগী মফম অমদা চৎপা, লৈবা য়াবগী হক কন্সটিট্যুসন্না পীরি অদুবু মসি ওইদুনসু য়েলহৌমী কঞ্জনবা এক্ট অদু ইন্দিয়াগী মফম খরদা চৎনদবসু নত্তে । অমরোমদা অফস্পাদি আর্মিদা অহেনবা পৱার খরা পীনবগীদমক্তনি। মসিদি গভর্ণমেন্ট অনীসিনা লৌথোক্কেবু খল্লবদি করিসু নত্তে। খুদম হায়ববু ইম্ফালগী সেগমেন্ট তরেৎতগী লৌথোকখিবসিনি। অদুনা অফস্পাগী খোঙজংদা শর্মিলানা মীয়ামদগী ওইহন্নিংবা এক্সন খরদি ফংবা ঙল্লক্তবদগী পূক্নিং ৱাখল হল্লকপা মাল্লি। মীয়াম্না মাগী মনাক্তা চৎলগা অহিং খরা য়ারেকমিন্নবা, চরা খরা হেনমিন্নবদুনা মাগী অপেনবা ওইরমগনি থাজদে অদুগা মাগীদমক অমদি অফস্পাগী মায়োক্তা চঙশিনখিবা মীয়ামগী খোঙজংশিংদু শর্মিলানা লুম্না মতম চুপ্পদা খনবিগদবনি। অসুম্না শর্মিলা অমসুং মীয়াম্না অফস্পাগী মায়োক্তা লৈরি হায়বসি মখা তাবা ৱাখল অমসুং থবক্লা উৎসি। খোঙজং খেন্নবগীদমক ঐখোয় মশেল ৱা-ৱা লাউনবসি খরা হেনমল্লি, চরা হেনবনা করিনো, চরা হেন্দবনা করিনো? চরা হেনবা ঙাক্তনা পান্দম ফংবা নত্তে হায়বসি শর্মিলাদগী ঐখোয় পূন্না খঙমিন্নরসি। মসিদা চফু কাইরগা ক্লাক্লা হরাউই হায়বদো তাহন্নবা হোৎনগুমসি। মালেমগী মমাঙদা মণিপুরী ফুরুপপু স্পোর্টস অমসুং কলচরনা মশক তাক্লিবসি অমুক চিংথনবা ঐখোয় মশেল হোৎনরোইসি। লোয়ননা নেসনল মিদিয়াদগী চেকশিনসি।

শর্মিলানা পোলিটিসিয়ন অমা ওইনা অফস্পা থেংনগনি হায়বসিদা করেম্ননিংঙাই করিসু লৈতে। মহাক্তি অফস্পাগী ইশ্যুগীদমক খল্লগা পোলিটিক্সতা খোঙদাগদৌরিবনি। অমরোমদা ইশ্যু করিমতা লোইনরক্তবা মতমসিগী চৎনবীদা ইলেক্সন থেংনরগা মিনিষ্টর ফাওবা ওইখিবা মী মশীং য়াম্মে। মীওইবগী লাইবক তম্বা ঙমদে। ঙসিদগীনা চহী তরাগী মমাঙদা নরেন্দ্র মোদিনা ইন্দিয়াগী প্রাইম মিনিষ্টর ওইরক্কনি খঙবা ঙমখিবা লৈরব্রা? শর্মিলানা সি এম ইবোবীগী কেন্দ্রদা ইলেক্সন থেংনগনি হায়বদা করিগী নোক্লনিংঙাই লৈবগে? ইলেক্সন থেংনবা হায়বসিদি শিদ্রি ফাওবগী মপুনি, মায়থীবা মতমদা লোইবা নত্তে।

মহাক্কী নুংশি নুংওল অমদি য়ূম্বানবগী মরমদা ঐখোয়না লান্না অমদি করেম্নবগী মতৌদৌনা ঙাঙনবসু ফত্তে। য়ূম্বানবা হায়বসিদি নেচরনি। লোয়ননা নুংশি নুংওলনা পীরকপা মীওইবগী এক্টিংসু মখল মখানি। মসিসু নেচরনি। লাই ওইনা লৌনরিবা কৃষ্ণ-রধাগী ৱারী মওং মতৌ মীয়াম্নসু খঙনরি। মসিদা শর্মিলাগী ওইবা ৱাফমদা লোয়না চিংথোক্তুনা শোকপা য়াদবা জগানিগা হায়বা অমত্তা খাক্তবমখৈ হায়রিবশিংসি পাপ ওইগনি। অমরোমদসু নুপীশিংবু ঙাকপী শেনবীবা অমদি নুপীশিংবু অৱাংবা থাক্তা পুখৎসি হায়বগী খোল্লাও কন্না লাউরিঙৈ মতমসিদা শর্মিলাগীদমক কা হেন্না ৱাফম পুথোক্লবা হোৎনরকপসি ঙৈহাক ঙৈহাক্কী টোপিক্তা হীংবা মীওই কাঙলুপ তারক্কনি। মী অমবু চিংথোক্তুনা ঙাঙবু ঙাঙগে হায়রবদি মালেমগী ফাওরবা মীয়াম্না লাইদৌনা খনবা মী ফাওবদুসু চিংথোক্তুনা ঙাঙনিংঙাই লৈগনি। অদুবু মীওইবগী চৎনবীদা অফবা মীদুগী অফবদুখক্তদা পুথোক্তুনা হায়নবগী অশোয়বা লৈতবা মানবগী ৱানি। অদুনা শর্মিলাগী অফবা ওইবা খুদমদি মচেৎ অমফাওবা পন্নিংদবা নেগেটিভ সেন্সতা ঙাঙন-শক্লবা মসি তৌহৈদে। মসিগুম্বা ফুরুপ অমা ঐখোয় ওইগুমসি মসিগুম্বা লমদম অমা ওইহল্লগুমসি।

ঙাঙন-শক্লরিবা ময়াম অসি উরু তারুবদা পূক্নিং ৱাখল শোকহল্লি, টেন্সন অমদি দিপ্রেসন লাক্লবা মচাক অমা ওইরক্কদৌরি।

# এদিটরদা থারকপা চিঠি/ৱাকৎ/মীয়ামগী খোল্লাউ/পাউদম অমসুং অতৈ-অতৈ ....

## লানলোং অমা হোংবগী তঙাইফদ্রে

***ইকায়খুম্নজরিবা এডিটর,***

**ষ্টেট** অসিদা নুমিৎ ৩০০ নি হেন্না জে সি আই এল পি এসনা চথুরকপা খোঙজংদা অশোক অপন কয়া য়াওখ্রে, মদুদগী হেন্দোক্তুনা মীশি মীনা ফাওবা য়াওরবনি। মমল য়াল্লবা মহৈরোয় সাপম রোবিনহুদ লৈখিদ্রে। মণিপুর মীয়াম্না লমজিং মৈরা হায়বা মিংথোল ফাওবা পীদুনা ইকায় খুম্নবা উৎখ্রে। মসিদা মণিপুর এসেমব্লিনা বিল অহুম পাস তৌদুনা মদুবু এক্ট ওন্নবা সেন্টরদা থাদুনা লৈখ্রে। অমুক মদু নমশিন্দুনা থমজিনখিবদগী মণিপুর লৈঙাক অমদি পোলিটিকেল পার্টি পূম্নমক্লা পি এম অমসুং হোম মিনিষ্টর উননবা মতম পীয়ু হায়বদা য়ৈথোক্তুনা লৈবদগী লৈপাক্কী ঈরাংনা হেনজিল্লক্তুনা খাঙবা য়াদ্রদুনা পার্টি পূম্নমক দিল্লি তানা অচৌবা আশা অমগা লোয়ননা চঙশিন্নখিবনি। মদুদসু নুমিৎ নীনি হুমনি ফাওবা ফাইদুনা লৈখিবনি। মমৈদা উনবা মতমদা মণিপুর অপূম্বনা য়ানবা বিল অমা পুথোকউ হায়দুনা থাদোরকখিবনি। মসিদা ঐখোয়না খঙবা য়াবদি মণিপুরগী লুচিংবশিংনা দিল্লি য়ৌদ্রিঙৈদা চীংগী ইচিন ইনাওশিংনা হান্না দিল্লিদা রিজেক্ট তৌরল্লবনি হায়বসি ময়েক য়াম্না শেংবা ৱাফম ওই, মসি য়েৎনিঙাই ওইদে। হৌজিক অমুক মণিপুর লৈঙাক অমদি পোলিটিকেল পার্টি খুদিংগী মীফম পাঙথোক্তুনা অনৌবা বিল অমা পাস তৌনবা অদুগা খরা হেন্না লমসিদা খঙবা হৈবা মীওই খরদা শিন্নদুনা ফজবা চীংমী তম্মী অনীমক্কী কাইরোইদবা বিলদু পাস তৌনবা হোৎনরিবনি। মসিদা অমুক চীংগী ইচিন ইনাওশিংনা হন্দনা শেমদোক্লসু ঐখোয় য়াবা ঙল্লোই। মদুনা হেন্না শোক্কনি হায়বা ৱাফম থমখ্রে। মসিদা দিমান্দ তৌরিবা ঐখোয়গী মীয়াম্না য়াম্না চমম্নবা অমা লৈরিবসি য়াম্নমক লূম্না ঐখোয় লৌফম থোকই। মরকসিদা দিমান্দ তৌরিবা ঐখোয়গী মীয়াম্না ঐখোয় অমা খঙদে অমা খঙদে ঐখোয়দি অথুবা মতমদা পাস তৌদবা য়াদে হায়বা অকনবা দিমান্দ তানবা অসিদা ঐখোয়না খনগদৌবদি লম্বীসিদা পল্লিবা অসি করিননো? মসিদা চৎপা য়াদ্রিবসি কদাইদা করি লৈ হায়বা থিদোকপা অমদি মদুগী পামদবা অদু লৌথোকপা অমসুং চৎপা য়াবা লম্বী খরা শেমদোকপা তঙাইফদে। মসিদা পল্লিবা পোৎশক অদু থিদোকপা অদুগা পন্দনবা হোৎনবা হায়বসি ঐখোয়গী ইথৌনি। অদু নত্তনা নমখায়রগা চৎকনি হায়বা ৱাখলসিদি অরেম্বা তাগনি। অমরোমদা মণিপুরগী ইশু খুদিং চীংমী তম্মী পূম্নমক্কীনি, মসি তোঙানবা কম্যুনিতি অমগী নত্তে অদুগা মসিদা বিল অসি তম্পাক্কী মীতৈখক্কী ওইনা উরিবা অসি করি অশোইবা লৈবনো? অহানবদা ঐখোয়না ৱাখল তামিন্নগদবসি ঐখোয় মণিপুর হায়বা ষ্টেট অসিদা লৈবনি, চীংগী কুকিসু মণিপুরীনি, চীংগী নাগা কম্যুনিতি ২৮ রোম অসিসু মণিপুরীনি। ঐখোয় মণিপুরী ঙাক্তনি। চুড়াচান্দপুরগী কুকিশিংনা ঐখোয় মণিপুর নত্তে হায়দুনা নঙ কদাইদগীনো হংবদা ঐ মিজোরামদগীনি হায়বা য়ারোই। অদুনা ফরবসু ফৎত্রবসু মহাক মণিপুর অদুম ওইদৌরিবনি, অদুদি মণিপুরগী তমগী খঙদে চীংগী খঙদে ইশু খুদিংমক ঐখোয় অপূম্বগীনি। মসিদা চীংগী হায়বা অমা তমগী হায়বা অমা খাইদোকপা য়ারোই। মরমসিনা ঐখোয়না ভাব তামিন্নবা নত্তনা তোখাই তানবা শিন্দুনতা লৈবা অসিনদি ইন্দিয়া লৈঙাক্লা কৈদৌনুংদা বিল অসি তরাই তরাইনা পাস তৌগনি হায়বা থাজবা ৱাৎলি। অদুদি ঐখোয় কৈদৌবা তাই, চীংগী ইচিন ইনাওশিংগা ঐখোয়গা বিলগী ৱাফম তোঙাননা থল্লগা করম তৌরগা ঐখোয় মণিপুরীনি, ঐখোয় ষ্টেট অসিদা তোঙানবা লাইনীং চৎলবসু ঐখোয় মণিপুর ষ্টেট অসিগী মীয়ামনি হায়বসি ঐখোয়না মুন্না অমদি কুপ্পা খন্নদুনা মসিনা হান্না লোইশিনফম থোকই। মসিদা ঙক্লিবা অমনা মণিপুরদা মীতোপ চঙলকপা মতমদা তম্পাক্তা ঙাক্তা ওইগদ্রা? চীংদদি মীতোপ চঙলক্তুনা লৈশিনবা তৌরোইদ্রা? মসিবু তমগীখক্তা ওইবা মাঙজবরা, চীংগী ওইনদি মাঙলোইদ্রা? ঐখোয়দি চীংমীনি, তম্মীনি হায়বসিবু লমদম অসিদা পূন্না খুন্দা লৈতাদুনা লৈমিন্নরগা মসিবু খনবা য়াবা ৱাফল্লা? দিমোক্রেসি চৎতুনা ইন্দিয়াগী ফিবান্নুংদা তিল্লুবগী তৌবনি, নিংথৌগী লৈঙাক লৈরিঙৈ মতম ওইরবদি ইশু অমফাওবা লৈরোই। নিংথৌগী মহাক মথন্তগী অপাম্বা অমা অদুম চৎখ্রগদবনি। অদু ওইরবদি শান্তি হনজিল্লক্লবা ঐখোয় দিমোক্রেসি তোক্তুনা নিংথৌগী লৈঙাক হনজিল্লক্লবা হোৎনসিরা? মমৈদা ঐখোয় নীংতম্বা তাল্লিবা এন্টি ইন্দিয়ন তারক্কনি। মরমদি ইন্দিয়া লৈঙাক্লা অমবু ওইরো অমবু ওইরো ৱারী নিংথিনা শাবীদুনা ৱাখল তাহনবা দিল্লি লৈঙাক্কী চাওরবা থৌদাং লৈ। ঐখোয় মশেন খৎনরগা দিল্লিনা খুবাক খুদুনা য়েংদুনা লৈরিবা অসিদি ঐখোয়না য়াফম থোক্তে। মসিদা মণিপুরগী পার্টি খুদিংনা দলগী খেন্নবা য়েংদনা দিল্লিদা ময়েক শেংনা খঙহনবা, ঐখোয়না ঙমদবা পোৎশক দিল্লিনা কৌহন্দুনা য়ানবা পুরক্লবা হোৎনবদা অচৌবা থৌদাং লৌহন্নিংই। মসিদা ফোরেন পোলিসিনা হেন্না লুমদুনা, পার্টিগী মপাঙ্গল শাগৎতুনা লৈবনা কান্নরোই, মণিপুর কায়রগা পার্টিগী মহুম চাওরবসু ফোরেন পোলিসি কয়া লাক্লবসু পূম্নমক অরেম্বা তাগনি। অদুগা খুদিংমক দিল্লিনা মণিপুরগী কাং খোং চাইগদবসিগীদমক অকনবা মিৎয়েং চঙহন্নিংই। নুংশিনরম্বা কয়া নুংশিনদ্রিবসি ঐখোয় মশেনগী মরক্তা অতোপ্পা মীনা খৎনহন্নবা শিনবা থৌরাং খরা য়াওরবরা চিংনদবা ঙমদে। ঐখোয়না খঙগদবসি খৎনরগা মাঙজবসি ঐখোয়তনি, মসি কাউরোইসি।

*অদোমগী - এম থম্বৌ সিংহ, সেক্রেটরি, ককচীং খুনৌ হায় স্কুল*

## লাঙ্গোই চল্লবী মণিপুরী নুপী

***ইকায়খুম্নজরিবা এডিটর,***

**সনা** লৈবাক মণিপুর ইমাগী পিরাং শিন্থরি ঙসিগী খুন্নাইগী উরিবা তারিবা থৌদোক-ৱাথোক, উহৈদ্রবা-তাহৈদ্রবা ৱাথোকশিংগী। মৈত্রবাক্কী ইরৈচাশিং খ্বাই খিবিক্লা মুন্না নৈনবিয় থোক্লিবা থৌদোক ৱাথোকশিংসিগী মরমদা। অৱাবদা অৱাবা পীবা, নুংঙাইবদা নুংঙাইবা পীবা, অনৈবনা ময়াইদা অরুবনা মতাইদা চেল্লিবা ইচেলশিংগী থৌদোক ৱাথোকশিং নৈনদুনা য়েংবিয়ু খ্বাই খিবিক্লা।

ইশানা তৌজবা থবকশিং ইশানা খঙজৈ। মসি কনানসু খঙদে মকা ফোংনা। ৱাঙাঙ হৈবনা অচুম্বা শকপা, তুমিন লৈবনা পাঙথোকপা থৌদাংনা অরানবা তাবগী চৎনবী ঙাক্তনা থল্লি ঙসিগী খুন্নাই। ঐহাক ইশামক মালেমদা খোঙদারকপা অসি নুপীনা (ইমানা) পোকপনি, নুপীবু হন্থবা থাক্কী মিৎয়েংদা য়েংফম থোক্তে। থা তরা নাওপুদুনা খোল্লাং ইন্দুনা, পীজ-পীথক তৌদুনা, চাওনবা নাওকোন্দুনা কদায়দা শোইখিগদগে খন্দুনা শেন্নদুনা লাক্লিবা, মহৈ-মশীন তমহন্দুনা মীমান্নবা ঙম্নবা হোৎনরক্লিবা হঙ্গৎনা অমুক্তা য়েংবিয়ু। হৌজিক চাওখৎলবা সাইন্সকী চক অসিদা লায়না-তীলনা য়েংনবা শারকপা মেছিন অলত্রা সাউন্দ নুপা-নুপী খন্দোক্লবগী খূৎলাই নত্তে। মসিগী মেছিনগী পাম্বৈনা পুক্নুংগী নুপী মচা কয়া লমখাংদা মাঙহনবা, থৌদোক-ৱাথোক্কী চৈথেংনা নুপীবু মাঙহনবগী ৱাখল্লোন থাদোকসি।

নুপীসু নুপানা তৌবা ঙমদবা থবক থৌদাং কয়া পাঙথোক্তুনা থৌনা লৈনা শিংথাবা য়াবা মথৌ তৌরি। লাইরিক লাইশুদসু নুপাদগী হন্থবা নত্তে। মণিপুরগী কাচিন কোয়াদা, মফম খুদিংদা চৎথরিবা ঈহৌ, ইমা লৈবাক কন্নবগী খোঙজং থৌনা ফনা মাইরোং য়াদুনা নুপাগী মাং থাদুনা শিবা কিদবা লৈবাক্কীমক্তা কখোকপা ঙম্বা হৌজিক চঙশিল্লিবা খোঙজংশিং অসিনা খুদমনি।

ঙল্লিঙৈগী মতমদা নুপী লাইরিক লাইশু হৈহনবা য়াদে, মখোয়দি য়ূমগী সেবাখক্তা তৌগদবনি হায়বগী ৱাখল্লোন মাঙখ্রবনি হৌজিক্তি। কম্যুনিতি খরদি হৌজিক ফাওবা মদুগী ৱাখল্লোন লৈবসু য়াওরি। চাওখৎলবা মতম অসিদা নুপীনা লৈঙাক পায়রি চাওখৎলবা লৈবাকশিংদি, ঐখোয়গীসু শরুক থুংলি। নুপা-নুপী থোং মান্নরবা মতমদা নুংঙাই য়াইফবা মান্নবা খুন্নাই শোয়দনা পুরক্কনি। হৌজিক্কী মতমদা লাইরিক লাইশুদা, অচৌবা ফম পায়বদা, ডাক্তর, এঞ্জিনিয়র, সাইন্টিষ্ট, আই এ এস, আই পি এস অমসুং লৈঙাক্লোইনচিংবা কয়ামরুম লৈরে মখল মখাগী নুপীশিং। খুদিংমক চপ মান্নে, খেন্নবা হায়ববু শাওং শাদা জেন্দর খেন্নবতনি। মৈত্রবাক্তদি অখাং কনবা, ৱাখল চেৎপা, পুকচেল চাওবা, মীনুংশি খঙবা, কৎথোকপগী থৌনা লৈবা নুপাদগী নুপীনা হেল্লি। খুদম অমতং পঞ্জগে, শম্না হায়রবদা চাওনবা য়োকপী থাকপীরল্লবা মমা-মপা থাদোক্তুনা অতোপ্পা অনৌবা য়ূম্নাক অমদা ওন্দুনা পুন্সি লেনবা ঙমই। ইজরিবা ঐহাক্লা হায়জিনবা য়াবা ৱাফম নত্তে। হৌজিক হৌজিক চৎনরিবা ময়াম্না হেন্না খঙবিরবা খুদমনি। মরম অসিনা নুপীবু হন্থনা য়েংবা, মীওৎ মীনৈ পীবা, নত্তবা লমচৎ চৎপা, পূম্নমক থাদোক্তুনা নুপা-নুপী চপ মান্নবগী পান্দম থল্লসি হায়বা পাউজেল পীজরি । লৈঙাক অমসুং খুন্নাইনা অচৌবা থৌদাং লৌদুনা নুপা নুপী মান্নবা খুন্নাই অমা ওইহল্লসি, তুংলমচৎকী লম্বী শেল্লসি হায়বা ৱাফম থমজরি।

*অদোমগী - অথোকপম তোম্বা সিংহ, য়োংলাল লৈরকএ ইম্ফাল*